# শেলনা রাজনিতিবু ফম্লাল্লে

## মণিপুরদা মীয়ামগী হক কাং-খোং চাইরে

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকি ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিংদা থাদরক্লিবা য়াল্লবা লুপা ক্রোড় কয়া অসি রিজনেলবু ওইরবসু নেস্নেলবু ওইরবসু রাজনিতিগী অচেৎপা য়ুম্ফম লৈবা ষ্টেটশিংগীদমক্তদি অচৌবা বড়গী মশক্লি, অসিগুম্বা ষ্টেটশিং অসিনা দেমোক্রেসিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা রুল্লিং অমসুং ওপ্পোজিসন অনিগী বেলেন্স অমদি চেক সিষ্টেমগী খুত্থাংদা মীয়ামগী চাউখৎ-থৌরাং কয়া নীংথিনা পাঙথোকই। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা চাওখৎ-লমজেলদা মাঙজীন থারিবা গুজরাট, অন্ধ্র প্রদেশ, টামিল নাড়ু অমসুং কর্নাটকানচিংবা লমদমশিং অসিনা ঙসি লৈবাক অসিগী দিভলপমেন্ট ইন্দেক্সতা অচৌবা মফমশিং কনবা ঙল্লিবা অসি রাজনিতিগী অচেৎপা য়ুম্ফম অমমম লৈরম্বদগীনি। রাজনিতিগী অচেৎপা য়ুম্ফম হায়রগা ঐখোয়না করিবু খঙনগনি? মণিপুরগী মীয়াম অমসুং ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা ঙমখে চিদাইদা লৈবা ঐখোয়গী পীক্লবা চীংলৈবাক অসিগী লন্মীৎলোন অমদি লৈহাউগা চূনবা রাজনিতিগী ৱাখল্লোন অমা শাগৎপা ঙম্লবরা হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া অসি ইনৌ নৌনা নৈনদবা য়াদবগী লুরবা মতাং অমা লাক্লি। মরমদি ঙসি মণিপুরিশিংগী পুক্নীংদা রাজনিতিগী অচেৎপা য়ুম্ফম নত্রগা কন্সিয়সনেশ অদু ৱাৎপদগী জাতি অসি হিংবা অমসুং চঙবা অনিগী লংদাই অমদা য়াম্না ৱানা খাঙলি। মণিপুরি খুন্নাই অসি ইন্দিয়ান ফেদরেল ষ্ট্রকচরগী মনুং চনবা ষ্টেট অমগী কয়াৎ হায়বদু ওইজরবসু মশাগী পুন্সিনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা দেমোক্রেটিক রাইটশিং অদুদগী য়াম্না লাপ্না লৈরি। মীচম প্রজাশিংগী ৱাফমদি থমখিসি, ষ্টেট অসিদা মীয়ামগীদমক্তনি হায়না চোংথোক্লক্লিবা রাজনিতিগী লুচিংবশিংনা মশাগী লৈবাক অসিগী অমাঙ-অতোং অমসুং অফ-ফত্তগী ৱাখল খনবা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা মণিপুরি নেতাশিংগী মমল হোঙবা মেন্টালিটি অসি ষ্টেট অসিনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন্দা তিনখিবা নুমিৎ অদুদগী ঙসি ফাওবদা অহোংবা লৈরক্ত্রি। মরম অসিনা রিজনেলিজমগী ঈহৌ খুদীংমকশু মমি তম্বা হৌরকপদা শেলগী মিকাবা পোকহন্দুনা ইলায় লায়না কাং-খোং চাইহনবা ঙল্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি খঙনা খঙনা মণিপুরগী মীয়াম অমসুং রাজনিতিৱালাশিংনা মখোঙ য়াওদ্রবা রাজনিতিগী ফম্বাক অমদা পূন্না লেপমিন্নরি। ফম্বাক অসি ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম কয়াগী খুত্থাংদা থাদরকপা অচৌবা শেনফম কয়াগী পার্সেন্টেজশিংনা হায়দ্রোজেন গ্যাস ওইদুনা তরঙ-মালঙদা মায়কৈ খঙদনা কোয়তাও তাউনা লৈবা গ্যাস বোলগুম্বনি। পার্সেন্টেজগী গ্যাস অদু হেক লোইখিবগা ফম্বাক অসি লৈমায়দা তারক্তুনা মথক্তা লেপমিন্নরিবা পুম্ন মক্না লোয়ননা শিংনা শানা মচেৎ মচেৎ কায়গদৌরিবনি। ফীভম অসিমক মীচম প্রজাশিংগী পুন্সিদা নাকোইননা উবা ফংলি। মণিপুরিশিংনা মপুম ওইবা অমসুং মপুং ফারবা পুন্সি মহীং অমদা হিংবগী মহুত্তা হৌখ্রবা, ওইরিবা অমদি ওইরক্কদবা পুম্নমক অসি অমত্তা মথোঙ-মরম খঙনদনা লশিং মফোলগুম মচেৎ-মকায় ওইনা নুংশিৎনা হুম্বা মায়কৈদা কোয়তাউ তাউনা হিংনরি। অপূনবা খুন্নাই অমগী ৱাখল্লোন অমসুং নেস্নেলিজম হায়বসি মণিপুরিশিংগী পুন্সিদগী তপ্পা তপ্পা লাপথোক্লক্লি। নেস্নেল পোলিটিক্সকি চৈথেংনা ঐখোগী ফুরূপকি শক্তম পুম্নমক মমি শামহল্লক্লি। লুরবা ইতিহাসকি তানফম অসিদা মণিপুরিশিং, মরুওইনা ভোটরশিংনা ইশানা ইশাগী ইরাইবক লেপচনবগীদমক্তা তঙায়ফদনা রাজনিতিগী অচেৎপা য়ুম্ফম অমা থোলহৌনবা রাজনিতিবু মন্ত্রীক্লদুনা লৈবা-য়োনবা য়াবা পোৎশক অমগুম খনবা অদু তোকথোকপগী মথৌ তারি। ইন্দিয়ান নেস্নেলিজমনা মণিপুরিশিংগী হিংবগী হক অমসুং অপুনবা শক্তমবু মচেৎ মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরকপা তারবদি, অদুগুম্বা নেস্নেলিজম অদুবু ঐখোয়না ইকায়-খুম্নবা উৎফম থোক্তে। মচীন্দনা অমা ঙাংবা, তৌথোরকপদনা অমা তৌবা, নেস্নেল পার্টিশিংগী মনীং- ময়া চুপ্তুনা 'বত্তম লিক্কর' ওইনা হিংলিবা রিজনেল পার্টিগী মায়খুম উপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং নেতা শাবশিংবুশু মীয়াম্না লাক্লিবা মীখল অসিদা অচৌবা পাড়া অমমম তম্বিহৌনবা শেম-শাবা চুমগনি।